য়ূমথোঙ খুদিংদা ভোট খোম্বগী মথৌ তাদে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঙসি ঙসি ইরমদমদা চৎনরিবা মীখলগী মীরেপশিংনা য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা ভোট খোম্বা হায়বসি মথৌ তাদে হায়না খল্লি। য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা, লৈকায় লৈকায়, খুঙ্গং খুঙ্গং য়ৌনা চৎতুনা মীচম মীয়ামগা উনবা, খন্নবা, তান্নবা হায়বসিদি ভোট কারবা মতুংদা তৌগদবা থৌদাংনি। অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তা তৌরিবা অসিদি মসিগী ওন্ন-তৈনবনি। ইলেক্সন মমাঙদনা মীরেপশিংনা য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা চাকনীবা শাদুনা মীয়ামগী ভোট নীবা অদুগা ভোট হেক কাখিবা নুমিৎতগী চহী মরিমুক্তি এম এল এ ওইনা লৈগেরা, মিনিষ্টর ওইগেরা খেন্নবা থোইদোক্লা লৈতে মখোয়গীদমক কনানা ভোট থাদখিবা, কনানা চেনবিখিবা, মখোয়না তৌবীগনি ৱাশকখিবা ৱারমশিং পূন্নমক পুমকাউ হেক কাউথোকপীবগী চৎনবী, হৈনবী অসি লৈ।

করিগীদমক য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা ভোট খোম্বগী মথৌ তারিবনো, তাদে। লৈকায়দা মীটিং তৌবা, লমজাওদা, লম্বীদা মাইক (মাইক্রোফোন) পান্দুনা খোম্বা অমদি মীদিয়াগী থোঙদগী খোম্বা অসিনি মথৌ তারিবদি। য়ূমথোঙ খুদিং চঙবসিনা শেল পায়বা মীরেপনা শেল য়েনবা অদুগা শেল পায়জদবা মীরেপনা খুরুমজদুনা হায়জবা। য়ূমথোঙ খুদিং চৎতুনা খুরুমজদুনা হায়জরবসু শেল য়াওদ্রদি ভোটসু পীবিবা নত্তে। মসি মতম মাঙনবনি অদুগা শেল পীবসু হেন্নবনি। মসিগী চৎনবীসি মুখৎকদবনি। মীখলগী মীরেপশিংনা হায়নীংবা খুদিং মীটিংদা, রেদিও, টি ভি অমদি প্রিন্ট মীদিয়াদা হায়রগা লোইরে, য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা হায়বগী মথৌ তাদে। য়ূমথোঙ য়ূমথোঙদা চঙদুনা ভোট খোম্বসি মীচম মীয়ামদসু অকায়বা পীবনি, মখোয়গী মতম মাঙহনবনি। অসিগুম্বা লৈকায়, লৈকায়গী য়ূম য়ূমদা চঙদুনা ভোট খোম্নবা অসিনা শেল পীদুনা ভোট খোম্বতা নত্তনা মীরেপশিং চঙবা য়াই য়াদে হায়দুনা খৎনরিবা, লাউনরিবা অসিগী থৌদোক ৱাথোকসু হেন্না হেনগৎহল্লি।

টাইৱানগী সিটিজেন অমা ওইনা চহী কুন হেন্না লৈরক্তুনা টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা অমদি লোকল ইলেক্সনদা ভোট থাদবসি পূন্না তরুক/তরেৎলক্তি শুরল্লনি। মীখলশিং অসিদা ইরমদম কংলৈপাক্তা চৎনরিবা য়ূম য়ূমদা চৎতুনা ভোট খোম্বসি উদে, তৌনদে। মখোয়গীদি লম লমদুগী লম্পাক্তা মীটিং তৌদুনা মখোয় মখোয়না হায়নীংলিবা ৱাফমশিং অদু থন্বা, মীরেপ অমগা মীরেপ অমগা অৱাই অখুম তৌনহনবা অমদি লম্বী লমজাওদা অমদি মীদিয়ানচিংবগী থোঙদা ৱা ঙাঙদুনা অমদি ইদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোল শন্দোকপা অমদি খঙহনবা অসিনি। য়ূমথোঙ খুদিং চৎতুনা মীপূম খুদিংমক উনবগী চৎনবী লৈতে। অদুম ওইনমক ভোট কাখ্রবা মতুংদদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনগৎপীরে হায়দুনা য়াম্না নোল্লুক্লা মীচম মীয়ামগা চৎমিন্নদুনা, খন্ন-নৈনবা, তান্নবা অসি মখোয়গী লুচিংবশিংগী চৎনবীনি, হৈনবীনি। ভোট কাখ্রবা মতুংদদি মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবগী হৌনবী য়াম্না নোল্লুক্লা চৎলি টাইৱানগী লুচিংবশিংসে। করিগুম্বা লুচিংবা অমনা মথৌ তৌদ্রবা, ঙকচাও থেক্লবা লোইরে সোসল মীদিয়াদা, রেদিওদা, টি ভিদা, মীটিংদা মীয়াম্না থীনা থীনা চৈবীবা।

অদুবু ঐখোয় ঐখোয়গী ইরমদমদদি থমজরিবা ৱাফমশিং অসিগী ওন্ন-তৈনবদা লোইনা লৈ। ভোটপু কাখ্রবা হৌরক্লে ভি আই পি কলচর থমহনবা, ঙকচাও থোকপা, নাপল কাবা, মীয়ামগা উননীংদবা, ৱাশকখিবা ৱাফমশিং কাউথোকপা, মীয়ামগী ইহুল খঙদনা মশা মশানা তৌনীংবা পংতৌ তৌবা, পার্টিগী আইদিওলোজি থমদনা মখোয় মঙাইরে হায়দুনা মশা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা চোংনীংবা পার্টিদা চোংশিনবা। টাইৱান্দা চহী কুন হেন্না লৈরকপা অসিদা পার্টি অমগী মীরেপ অমনা পার্টি অমদা চোংশিন্দুনা মীখলদা মীরেপ ওইনা মীখল য়াওবসি ঙসি ফাওবদা শুপ্নগী মীওই অমা ফাওবা তারক্ত্রি, উরক্ত্রি। ঐখোয়গীদি ভোট হেক নোংঙানবগা অদুম হৌরে চোঙথোক চোঙশিন তৌবা। অদুগা কাখ্রবা মীরেপশিং অসিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগা য়াপোৎ নত্তে, মরু ওইনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঙাঙলুরবদি শোয়দ্রো এন এস এ পানশিন্দুনা কৈশুমশঙদা থমজিনবা।

ইরমদমদা চৎনরিবা চাকচা হৈজানবা অমদি শানৈ-য়ুনৈবগী চৎনবী অসিমা শুকলৈ হেক লৈত্রে টাইৱানদদি। মীপূম খুদিংমক মশা মশাগী থবক লোইনা লৈনবনা মীখলগী চেন্থোক চেশিন তৌবকা য়াওনীংবজাৎ নত্তে। মসিদা য়াওরিবা হায়ববু থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিং অদু মঙাই। কুম্মৈ হরাওগী থবকসিমসু তৌনদে। মী খৎনবা, লাউনবা, ফূনবনচিংবসিমা শুকথোক হেক থোক্তে হায়বা য়াই। কনাগুম্বা খরনা পার্টি অমগী মীটিংদা অকায়বা পীগে তৌরকপদসু নীংথিজনা, তূমিন্না ফাজিল্লগা পুলিসতা শিন্নে। মীচম মীয়াম্না লোবু মখোয়গী মখূত্তা শীজিন্নবগী চৎনবী লৈতে। টাইৱানগী মীয়ামসি আইনবু য়াম্না কিনা ইন্দুনা চৎলি, মরু ওইনা অচৌবা শেনফম পীহন্দুনা চৈরাক পীনবা। মসিমক সিঙ্গাপুরদসু তৌরিবনি। সিঙ্গাপুরদনা অমুক হেল্লি অকনবা চৈরাক পীবসি। মীরমগী অফবশিংগী মতাংদা থমজরিবা ৱাফমশিংসি ঐখোয়গা শক-চু মান্নবা মখোয়দগীসু খরা তমসি হায়জবনি ইরমদমগী য়াইফ নুংঙাইগী খঞ্জদুনা।

অদুগা ৱাফম অমনা, ঐখোয় ইরমদমগী মীরেপ কয়া অমদি ৱাখল য়াম্না তাদে। মীরেপশিং অসিনা ৱাখল তারবদি, পুকচেল চাওরবদি, তশেংনমক মরমদমগীদমক খনবা মীরেপ ওইরগদি খৎনৌ চৈনৌ হায়না ইনশিল্লোই মখোয় মখোয়গী ৱার্করশিংদা। মখোয়না ৱাখল পিকপদগী, মশা মশাগীতা খনবদগী শেল পীদুনা, য়ু পীথক্তুনা, শানৈ য়ুনৈহন্দুনা ইনশিনবা অদুননি ৱার্কর কয়ানা ফূন-চৈনবা, নোংমৈ কাপ্প বনচিংবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমা থোকহল্লিবসে।

ৱাফম অমনা, অফবা লুচিংবা খনবা হায়বসি অফবা মীরেপশিং খক্তা থোরক্লগা মীখল নিংথিনা হেক্তা পাঙথোক্তুনা অফবা মীরেপ খনগনি হায়বসি লৈতে। ভোট খোমগদৌরিবা অমদি থাদগদৌরিবা মীয়ামসু ৱাখল য়াম্না তানা থবক তৌবা মথৌ তাই। ৱাখল তানা থবক তৌদবননি পূমচাই চাইরিবা। হৌজিক ইলেক্সনগী মতাংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি মদুদি ইলেক্সনগী চেন চোংলিবা মীয়ামসি শেল খরা পীরগা, য়ু খরা পীথক্লগা, চাকচা-হৈজানবা খরা তৌবীরগা ইরায় লায়না মশাগী মমল য়াওদনা মীরেপশিংনা লৈরগা শীজিন্নবদৌনা তৌই হায়নরি।

হন্দক্তা হৈরোক, অন্দ্রো, ৱাংখৈ অমদি অতৈ মফম কয়াদা থোকহন্নীংদবা নাকল নাকল ফূন-চৈনবগী, নোংমৈপায়দুনা কাপ্পবগী ৱাথোক কয়া থোকপা থেংনরিবা অসিনা ময়েক শেংলবা খুদম ওইরি। চেন চোংলিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন। ফীভমসি উরুবদা, তারুবদা ঐহাক্কী থম্মোয়দা হেক হেক হংদবা ঙল্লক্তে মদুদি ঐখোয়সিবু অফ্রিকা লমদমশিংগা চপ মান্নবা লৈরব্রা হায়দুনা।

লোইশিল্লকপদা, মীখলগীদমক মীরেপশিংনা য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ চঙদুনা ভোট খোম্বগী চৎনবী অসিসু মুখৎপা মথৌ তারি। মসিগী মহুত্তা হয়েং ভোট কারবা মতুংদা ওইনা চৎপীয়ু, উনবীয়ু লৈকায়গী মীওইশিংগা, হংবীয়ু মখোয়গী অৱাৎ অপানচিংবা। মদুনা লমদমসিদা অফবা, অহোংবা পুরকপা ঙমগনি। অদুগা চোঙথোরক্লিবা মীরেপশিংনা ৱাখল খরা চাওনা খনবীদুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি থোক্তনবা ৱাখল তানা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা থবক তৌবীয়ু ৱার্করশিংবু ইনশিন্দুনা ফূন-চৈনহনবগী মহুত্তা। লোয়ননা চেন চোংলিবা ইচিল ইনাও অমদি ইচল ইচেশিংনসু ৱাখল তানা অচুম অরান খন্থদুনা থবক তৌবীয়ু মীরেপশিংনা তৌ হায়বা খুদিংমক তৌবগী মহুত্তা। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী নুংঙাইবা য়েংদুনা থবক তৌবা অমদি মীরেপ খনবনা ইরমদম অসি মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবনি হায়বসি কাউরগুমসি ঐখোয় পূন্নমক। য়াইফমিন্নরসে। ●

চথরক্লিবা পুন্সি খোঙচৎতা

- ডা. এম নরা -

নীংশিংলকই পুন্সি খোঙচৎতা থেংনরকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া। ঐহাক্লা অহানবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা এম এল এ ওইরকপা কুমজা ১৯৮৫দগী ১৯৯০ ফাওবগী মতমসিদা কাউঙমদ্রবা থৌদোক অমা থোকখি। লমতা থাগী থাজিন্নি, হরাও কুম্মৈ মতমনি, মীপূম খুদিংমক পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা মতমনি। অদুবু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইনখিদবা থৌদোক অমদি নীলম পঞ্চভাইয়া কৌবী মশক মতৌ নীংথিজরবী লৈশাবী অমা শঞ্জেনথোংগী থোংখাদা শিনা ঈশিংদা তাওদুনা লৈরম্বা থেংনখিবা থৌদোক্তুনি। লৈবাক সরা শন্না তানখি থম্মোয় শোকপা পাউসি। নীলম পঞ্চভাইয়াগী অপোকপা ওজা য়মুনা প্রসাদ পঞ্চভাইয়া দি এম কোলেজগী বোটানি তন্বীবা মশক নাইরবা ওজা অমনি। ঐহাক ইশামক মহাক্কী মহৈরোয় অমনি কুমজা ১৯৬৫-৬৬তা। নুমিৎতু মার্চ থাগী তারিখ ৮, ১৯৮৬নি ঐহাক্লা হংবা চৎপসি। ওজা অসি য়াম্না চন্বা, ধর্ম্ম লৈবা অমসুং তাইবঙ শেম্বা মপুবু কিজবা, মীঙোন্দা লাঞ্জদবা, থোইদোক হেন্দোক্লা চীং লেম্বা ৱা য়াম্না ঙাঙগন্দবা মীশক অমনি। ঐহাক্লা শক তাকচরগা ইমুংদুগী অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি সেসন লৈবা মতমনিনা ঐহাক্কী কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমা হীরম অসিদা পুখৎতুনা ঙাঙগদৌবা থৌরাং ওজাদা পাউদমজখি। ওজাগী মিৎলুদগী শিন্থরকখিবা পিরাং, খাঙবা ঙল্লক্তদুনা খোঞ্জেল থোক্লা কপ্পকপা অদুগা ঐঙোন্দা কোনশিন্দুনা অৱা মৈশা ঙাইহাক্তংদা ওইরবসু খাঙজবা মিকুপ্তো ঐহাকসু পিরাংলক্তা ঈরোয়মিন্নখি। পান্থৈ শুকলৈ লৈজদ্রবা, নীংজবা আশা পূন্নমক কায়রবা ওজাগী শক্তমদো ঐহাক ঙসিসু মিৎসিদা উরি। এসেমব্লিদা খন্ন-নৈনখিবা অমদি মীদিয়া কয়াদা ফোঙদোক্লখিবা পূন্নমক্তু অচুম্বা মরাল পুথোক্তুনা মতিক চাবা দন্দি কনাদা পীখিবগে? মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। অসিৱাইদনি ঐহাক্লা তাইবঙ শেম্বা মপুবু ৱারৌজদুনা শৈরেং অমা ঐগী দাইরিদা ইশিঞ্জহৌখি। ঐগী শৈরেংগী লাইরিক 'প্রকৃতিনা তেংথাবা' হায়বা অসিদসু ফোঙবদা য়াওখ্রে। লোয়ননা ঈশৈ ওইনসু শক্তুনা ওদিও কেসেট ওইনসু ফোঙদোকচখ্রে। শন্দ পানবীবনা শক্লাইরবা শৈশকপশিং, শগোলশেম টিজেন্দ্র অমসুং খুন জয়কুমারনি। শৈশকপীখিবনা মখোয় অনীগা লোয়ননা সুনিতা অমসুং য়েন্দ্রেম্বম বীমোলানি।

শৈরেংগী মমিং - 'হায়নৈনে নহাকপু চানবীহৈবা'

>	হায়নৈনে নহাকপু চানবীহৈবা, জগৎকী মপু থৌজাল হৈবা
তোল্লবশিংগী মরুপ, অচুম্বগী শাইওন;
হে অল্লাহ! হে ঈশ্বর, ও-গোদ!
কদায়দা লৈবগে নহাকপু? উজগে নিংথির চেংলৌদো
কুমজা কয়া ৱারক্লবা তোল্লবা ননাই ঐখোয়না।
>	তাদ্রিবরা প্রভু খোঞ্জেলসে, নৈহৎপীর কাঙলূপকী,
মীকপ মীরাওখোলসে চাদবগী, য়ুগ কয়া লাওরক্লিবা
অশুবনা নংহল্লি, শুদবনা নুংঙাইরি,
ধর্ম্ম হায়বদু শিরা অচুম্বগী খুদল্লা হায়য়ু?
হিন্দু মুসলিম, শিখ ইশাইহি; মশীং য়াম্বনা ৱারিবা।
>	লায়শঙ কয়া কৎখরে, গীর্জা মসজিদ লিংখৎলে,
অচুম্বৈ লোয়শঙনি থাজরুই, বিচার হায়দোকপা ঙাইনরি,
মপোক লাংওন কয়াসু হৌখরে রাই হায়দোক্তনা
করি ধর্ম্ম কৌবগে অকনবনা তুহৎপা,
অশোনবনা ৱারিবা?
>	মীহাৎপবু দন্দি পীদবা, হুরানববু য়োকখৎপা উনা উনা,
ঙরাংদা ফোংনা হাৎখিবা, মথন্তা শিজবা তাহনবা,
ওইদবা ঙাঙববু চুমহনবা,
কলি য়ুগকী লাইৱারা?
ভগবান! নহাক্কী খূৎশেল্লা সিবু?
নহাক্কী খূৎশেল্লা সিবু?
হায়নৈনে নহাকপু চানবীহৈবা, জগৎকী মপু থৌজালহৈবা।

অসুম্না সাহিত্য, থিএটর অমদি কলচরেল এক্টিভিটি কয়াদা থৱায় য়াওরকপসিদা কুমজা ১৯৮৭কী ওক্টোবর থাদা হায়দরবাদতা ফমখিবা ইন্দিয়ান পীপলস থিএটর এসোসিএসন (আই পি টি এ) গী মাপনশুবা মীফম ঐহাক্লা লুচিংদুনা মণিপুরগী মী ১১গী টিম অমা শরুক য়ারুই। ইন্দিয়া নীংখা তন্বগী অন্দলোন্দা চাওনা শরুক য়ারকখিবা কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমা হায়রগদি ইন্দিয়ান পীপলস থিএটর এসোসিএসন (আই পি টি এ) অসিনি। কুমজা ১৯৪৩দা লিংখৎখিবা বোম্বৈগী অনধেরীদা ওফিস ওইদুনা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা পর্সনেলিটি কয়ানা মপূং ফানা শরুক য়ারকখ্রবা ওর্গনাইজেসন অমনি। মদুদি সাহিত্য, ঈশৈ, জগোয়, থিএটর অমদি ফিল্মগী লমজিংবশিং লোইনা পূন্দুনা শেমখিবা য়াম্না মরু ওইবা, ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চথরিবা লূপ অমনি। মসিগী ঈশৈগী 'সারে জহানসে অছা হিন্দুস্থান হমারা' মিকুপ খুদিং থৌদোক কয়াদা ঐখোয়না তাবা ফংলিবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ। ফাওরবা কবি মহমদ ইকবালনা ইবনি অদুগা পন্দিট রবি শঙ্করনা ছন্দ পানবীদুনা থৱায় হাপ্পীখিবা পেত্রিওটিক সোং অমা ওইরিবনি। ঐহাক্লা হায়দরবাদকী মীফম অসিদা য়াওরুবগী ফলনা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা মীওই কয়া হেমাঙ্গো বিস্বাস, কায়ফি আজমী, এ কে হঙ্গাল, দিনা পাথক, শিবাজি গনেশন, সাবনা আজমী, জাবেদ অখটার অমদি রনবিরনচিংবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লুচিংবশিং শকখঙনবা ফংজরকখি। মথং কুমজা ২০০০দা ১১শুবা ইপতা (আই পি টি এ) গী কনফরেন্স কেরেলাগী ত্রিশুর সহরদা নুমিৎ মঙানি চূপ্না পাঙথোকখি। মসিদদি ঐখোয় মণিপুরগী মী ২০গী দেলিগেসন অমা ঐহাক্লা লুচিংলগা বস অমদা চৎতুনা চাওনা শরুক য়ারুই। মীয়াম্না মীৎয়েং তাবিখ্রবা কার্গিল ৱারদা য়ূম্ফম ওইবা শুমাং লীলা 'মেম সাহেবগী শারি' শান্নরুই। মীয়াম্না পেনবীবদগী ঐখোয় নুমিৎ ১৮নি চূপ্না কেরেলাগী সহর খুদিংদা লীলা শান্নবা তাখি। মদুসু নোংমদা শো ২/২ পুং ৬তা অমা, ১০দা অমা। মখোয়গী পোপ্যুলর ন্যুজপেপরশিং - মাত্রিভুমী, মনোরমা, জনযুগম অমদি হিন্দুনচিংবা 'শান্তিগী পাউজেল পুদুনা চৎলিবা মণিপুরগী থিএটর গ্রুপ' হায়না মিংথোনবীদুনা শুমাং লীলাবু অমদি মণিপুরগী কলচরবু অৱাংবা থাক্তা কেরেলানা পুখৎপীখি। ফাওরবা কেরেলাগী শৈশকপা কে জে য়েশুদাসকা উনদুনা ৱারী কয়া শানরকখি। মহাকসি মহমদ রফিগুম্না মীয়াম্না শকখঙবা শৈশকপা অমনি, মলায়ালম লোন্দা শৈশকপা ইন্দিয়া মনুংদদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াদসু কোয়না চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজবা মীশক অমনি। য়েশুদাস অসি হৌজিকমক্তি মশাগী চহী ৮২/৮৩ রোম শুরবনি অদুগা অমেরিকাদা সেটল তৌদুনা লৈখ্রে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক মশামক্লা শকপা ঈশৈ অমগী ভিদিও থাদোরকখি। মলয়ালম লোন্দা শকপনি, ইংরাজিদা হন্দোক্তুনা ময়েক শেংনা অমসুং য়াওরিবা ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক মপূং ফানা খঙবা ঙমই। মীয়ামগা খঙমিন্নবা চুমগনি খঞ্জদুনা ঐহাক্লা অমুক ইথোকচরি।

"Human create Religions, Religions created Gods, Men, Religions and Gods together divided lands, divided the hearts.

We become Hindus, Muslims and Christians and we become unknown to one another. World became a lunatic asylum. Thousands and thousands of humanhearts became weapon factories. God is dying in the streets, Satan is laughing. Where is the truth? Where is the beauty? Where are freedoms and your love? Where is the human blood relations? Where is the Avatar that comes in thousand years? Men are dying in the streets, Religions are laughing".

মীওইবনা ধর্ম্ম শেমগৎলি, ধর্ম্মনা ঈশ্বরবু শেমগৎলি। মীওইবা, ধর্ম্ম অমসুং ঈশ্বরনা পুল্লগা লৈবাক খাইদোকই অমদি মীগী থম্মোয়সু খাইদোকপীরে।

ঐখোয় হিন্দু, মুসলিম অমসুং খৃষ্টিয়ান ওইরে, ঐখোয় অমগা অমগা খঙনরকত্রে, মালেম অসি ৱাখল চোয়রবগী শাইদাংফম ওইরে, মীওইবগী থম্মোয় লিশীং কয়া খূৎলায় শানবা ফেক্টরি ওন্থোক্লে, ঈশ্বরদি লম্বীদা শিদুনা লৈরে, হিংচা য়াইতম্বশিংনা নোক্লি। কদায়নো অচুম্বা? কদাইনো ফজবা? নীংতম্বা অমসুং নহাক্কী নুংশিবা হায়বদু কদায়দা লৈখ্রে? মীওইবগী ঈ মরীনা কদোমদা? চহী লিশীংগী মনুংদা অমুক অমুক খোংদারকপা অবতারনা কদায়দা চৎখ্রবা? মীওই কয়ানা লম্বী সোরোক্তা শিদুনা লৈরে, রিলিজন্না নোক্লি।

ঈশৈ অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক নৈনবা কান্নগনি অমসুং মীয়ামগীদমক পাউজেল অমনি হায়না লৌজে। কেরেলাদা নুমিৎ ১৮নি লৈদুনা মফম কয়াদা শুমাং লীলা মেম সাহেবকী শারি শান্নরুরবা মতুংদা বোম্বৈগী মমিং চৎলবা পৃথি থিএটরদা অমুক শান্নখি। লীলাসি লোইরবা মতুংদা ভেটরেন এক্টর এ কে হঙ্গলনা ষ্টেজদা থোরক্তুনা অঙকপা ফংনা থাগৎপীখি। মহাক্লা হায়, শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংদা গুণ ১১ য়াওরি 'We need to learn from your boys" ঐখোয়না নখোয়গী নুপামচাশিং অসিদগী তমগদবা লৈরে। ফিল্মগী ম্যুজিক দাইরেক্টর কুলৱন্ত সিংহনা হায় - Your music department is simply unbelievable" 'নখোয়গী ম্যুজিক দিপার্টমেন্ট অসি ইচম চন্বা থাজবগী ৱাংমদা লৈরে'। অদুগা মমিং লৈরবা কোমেদিয়ান রাখেস বেদিনা শৌগ্রাকপম হেমন্তদা কোনশিল্লগা হায় "ঐহাক নঙগী নফমদা মায়থীরে"। ইরানদগী লমকোয়বা মীশক অনী ঐগী নাক্তা লাক্তুনা হায় - "ঙসি নখোয়গী লীলাসি য়েংলমদবা তারবদি ঐখোয়গী পুন্সিদা অৱাৎপা অমা শোয়দনা লৈরমগনি"। পৃথি থিএটরগী মেনেজর শঞ্জনা কাপুরনা হায় - "ঐহাক মণিপুরদা শুমাং লীলাগী মরমদা কুপ্না থিজিনবা লাকচগে"। তশেংনা মহাক মণিপুরদা লাকখি, হাপ্তা অমা লৈখি। শঞ্জনা কাপুর অসি মমিং লৈরবা ফিল্মগী এক্টর সশিকাপুরগী মচা ইবেন্মনি। অসুম্না শুমাং লীলানসু মণিপুরবু শক্তাকপদা থৌদাং লৌরি। ●

ষ্টেটকী পাউ

খুন্দ্রাকপম এ সীদা হাউস কেম্প্যেন অমদি রোদ শো পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেনগী ঙসি এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাউস কেম্প্যেন অমদি রোদ শোগী থৌরম পাঙথোখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা হাউস কেম্প্যেন অমদি রোদ শোগী থৌরম অদুদা বি জে পিগী থৌমী অমদি কৈথেল্লাকপম রোনেনবু শৌগৎপা মীওই ৪০০ হেন্না শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা খুন্দ্রাকপম এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেননা ফোঙদোকখিবদা খুন্দ্রাকপম এ সী অসি ষ্টেট অসিগী অতৈ এ সীশিংগা য়েংনরুবদা হীরম খুদিংদা শোৎথবা হায়বদু ওইরে। মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইখ্রবা চাওখৎপগী লম্বীগসু য়াম্না মরি লৈনবা মরুওইনা লম্বী-থোং, থক্লনবা ঈশিং, এদ্যুকেসন অমদি হেল্থ সেক্টরদা ফীভম শোক্লা লৈরি। ঙসি ফাওবদা এ সী অসিগী মীওইশিংনা থক্লনবা অফবা মখলগী ঈশিং ফাওবা ফংদ্রি। মসি পূন্নমক অসি এ সী অসিগী হৌখিবা এম এল এশিং অসি খুন্দ্রাকপমদগী হৌরকখিবা মীওইশিং অমত্তা নত্তবনা অতোপ্পা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদগী লাক্লগা ভোট লেপ্পুনা এম এল এ ওইখিবনা থম্মোয় শেংনা এ সী অসিগী মীয়ামগী থবক তৌদবদগী থোক্লকপনি।

করিগুম্বা লুচিংবশিং অদুনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামগী ইহুল খঙনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবিরল্লবদি ঙসি হীরম খুদিংমক্তা অসুক্কী মতিক শোৎথনা লৈরল্লিবা অসি লৈরল্লোইদবনি হায়না খল্লি। অদুবু হৌখিবনা হৌখ্রবসু ঙসিদি খুন্দ্রাকপম এ সীদা পোকচবা মীওই অমা ওইনা শোৎথরিবা ময়াম অসি মেনখৎতুনা মীয়ামগী থবক তৌগে খল্লিবা ৱাখল্লোল অসি এ সী অসিগী মীয়াম্না খঙলকপা অমদি উবিরকপদগী মপুং ফানা শৌগৎপীবা মরম্না বি জে পিগী টিকেটতা ভোট লেপতুনা মীয়ামগী থৌগল মপুং ফানা তৌনবা থোক্লকপনি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না অতোপ্পা মফমশিংদগী লাক্তুনা ভোট লেপ্লিবা মীওইশিং শৌগৎলরোই হায়বা ৱাফমসু থম্নরক্লি। মীয়ামগী থবক মপুং ফানা তৌবা অসি উরগা বি জে পিগী লুচিংবশিংনসু বি জে পিগী টিকেট শোয়দনা পীরক্কনি হায়গী থাজবা লৈ। করিগুম্বা চিরবা মতমদা বি জে পিগী টিকেট ফংদবা থোক্লবদি মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা অমদি এ সী অসিগীদমক তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং তৌবা ঙম্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা ওইনা শোয়দনা লেপ্পকনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেনগী হাউস কেম্প্যেন অমদি রোদ শোগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সাজন কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা এ সী অসিদা টার্ম কয়ালক্তা মণিপুরগী অতোপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা মফম অসিদা ভোট লেপখিবা মতমদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু চাওখৎপগী থবক কয়া তৌবিরক্কনি হায়না ভোট থাদদুনা এম এল এ ওইহনখিবনি। অদুবু মীয়াম্না পাম্বা মতুংইন্না থবক তৌরক্তবা মরম্না লাক্দৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি খুন্দ্রাকপমদা পোকচবা অমদি চাওরকখিবা মতিক চারবা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেনদা শৌগৎপা হায়না মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অশিবা হকচাং ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা মীনুথোং মনাক্কী গোলাপতি তুরেল মপান্দা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে হায়রি। শিনা ফংখিবা নুপা অদুগী মশক মমিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। নুপা অদু মশা পাই, কুলৈ কুচুনি, মশম তেন্না ককই, মশাদা জিন্সকী হাপেন অমা শেৎলি। ৱাওথাংনবা টি-শর্ট অমা লিংলি অদুগা মখোঙদা হৱাই শেন্দল অমা তোংলমখি।

মপুরোয়বা লৈখিদ্রবীশিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ডা. কৃষ্ণনন্দনা মপুরোয়বা লৈখিদ্রবী নুপীশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি পি দি এ কমপ্লেক্স তেরা কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এদ্যুকেসন, ফিসরিজ এন্দ কাদাগী মিনিষ্টর সোরোকখাইবম রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক্তা মতেং পীবা স্কিম খরা পায়খৎচরি। মসিদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী ওইবা তেংবাঙ স্কিম পায়খৎপশিং ঙসিদি মীয়ামদা মতেং পাংবা ঙল্লে। দিসএবলশিং অমসুং আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙগা লোয়ননা পেন্সননচিংবা কয়া পীবা ঙল্লে। মমাঙদা পেন্সন ওইনা লুপা ৩০০ ফংলম্বদু ঙসিদি ৫০০দা হেনগৎলে। লোয়ননা লমদম অসিদা লো এন্দ ওর্দর ফগৎলক্তুনা তংদু লৈতানা লৈবা ফংলে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ডা. কৃষ্ণনন্দনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী থৌরম অসি ঐহাকপু শৌগৎপীবা মীওইশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। মপুরোয়বা লৈখিদ্রবীশিংদা মতেং ওইনবা হায়দুনা পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা নুপীশিংদা পেন্সন অসি পীবনি। পেন্সন অসিদা থাগী লুপা ১,০০০ অসি চহী অমগী ওইনা পীগনি। পেন্সন অসি ঐগী লৈখিদ্রবা পাবুংগী মিংদা কৎচবনি হায়খি।

[illegible]/INVITATION FOR OBJECTION

Dated, Imphal, the 1/10/2021

We have formed a Cooperative Society under the name and style of the Thoiba Diary Co-op. Society Ltd., Thongju Part-II, Konok Khongnangkhong, Imphal East, So, the newly formed Co-operative Society shall be registered under the Manipur Cooperative Societies Act, 1976 and Rules 1977 at the office of the District Cooperative Officer, Imphal East. If anybody who want to object to the registration of the Society may object to the office of the District Cooperative Officer, Imphal East/to the undersigned within 7 (seven) days from the date of publication.

No objection shall not be entertained after the due date.

Sd/- **Kh. Geetchandra Singh**
Chief Promoter

HL-P/0570/4

[illegible]/নঙ্গনদা চিকপা-নাবা, ফৈগন অনীসু চিকপা, মসলসু চিকপা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা অসিসু চিকপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, পূকচেপ নাবা, য়েৎকী পূকচেপতা শাগৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা কন্না নাদুনা নঙ্গনদা চিকপা-নাবা, ফৈগন্দসু চিকপা, মসলশিং অসিসু চিকপা-নাবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা অসিসু মরক-মরক্তা চিংগে তৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, অদুগা তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকসু ইথন্তা থনগৎলকপা, করিমত্তা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগা হকচাংদা নুংঙাইতবা, হকচাংদা অচম্বা চারিবমখৈ নুংঙাইবা, হকচাংদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোন্থরকপা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, করিমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, শিংলি-নাওরি শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, কল্লাক মরী নাবা, ফম্নুরগা ফুক লাউনা হৌগৎপা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূংগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **Th. Soma Singh**
Kakching

HL-B/7236/4

[illegible]/ নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর (শামু)

ঐগী ওই থংবা ঈশিং মরীদা 6 mm চাওবা নুং অমা লৈরম্না অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুংগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) হার্বেল ফিজিসিয়ান (স্পিসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোন)না হপ্তা মরি লায়েংবীরবা মতুং অল্ট্রা সাউন্দ লৌথোকচরুবদা নুঙ অদু অমত্তা লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা লাইশ্রম সুধাকর (শামু)বু পাউচেংগী থোঙদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Salam Kumarjit Singh
Chingmeirong West

HL-P/0552/3,4,5

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

Ref. Mut. Case No. 576/AS & SO/TBL, Dt. 27/10/2021

1. Khundongbam Premananda Singh S/o (L) Irabot Singh of Khangabok
2. - do - Romen Singh S/o (L) Irabot Singh of - do -- Applicants

-VRS-

(Late) Pattadar, Khundongbam Irabot Singh
S/o (L) Leirenjao Singh of Khangabok - Opp.

[illegible] / NOTICE

Dt. 03-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ২৯৩৯ (অনৌবা) দাগ নং ২৪৩৫ এরিয়া .৪৩০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ২শুবা ইরাবোৎ সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টা নং ১৭২৩ (অনৌবা) দাগ নং ২৪২১ এরিয়া .২৯৫০ হে: চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ১শুবা মৃ: ওইখ্রে ১দি পাট্টা নং ৩০০ (অনৌবা) দাগ নং ১৪২৪ এরিয়া .৩৭০০ হে: চাওবা তাওথবী লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচা নিপা কেঐচ, প্রেমানন্দ সিং Applicant No. 1 দা কো: পাট্টাদার ২শুবগী লম শরুক .৫৮ একর চাওবা অসিদগী এরিয়া .১৯৬৩ হে: চাওবা লম অসি নমা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুগা অরেম্বা এরিয়া অদুনা Applicant No. 2 কেঐচ, রোমেন সিংহদা নমা পানবীরো অদুগা পাট্টা নং ১৭২৩ (অনৌবা) দাগ নং ২৪২১ এরিয়া .২৯৫০ হে: চাওবা কো: পাট্টাদার নং ১শুবগী লম শরুক অসিদগী এরিয়া .১৫৭৮ হে: চাওবা লম অসি Applicant No. 2 কেঐচ, রোমেন সিংহদা নমা পানবীরো অদুগা পাট্টা ৩০০ (অনৌবা) দাগ নং ১৪২৪ এরিয়া .৩৭০০ হে: চাওবা লম অসি Applicant No. 1 অমসুং 2 মখোয় অনীদা তংখাই/তংখাই (এরিয়া .১৮৫০) নমা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection (য়েৎনিংবা) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি Court অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/0568/4

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।